**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈবুংদগী পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে।

২) নেসন ফার্ষ্ট @75 কেম্পেন অমসুং স্বস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান কেম্পেন মণিপুরদসু মপুং ফানা চত্থরি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা লুপা কোতি লিশিং ৯৫ রোমগী মমল ওইগদবা প্রস্তাব ৬ অয়াবা পীখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈবুংদগী পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা গ্রাম ৪৭০ লুম্বা টি.এন.টি, ইলেক্ট্রিক্ট দিটোনেতর, ইলেক্ট্রিক্ট ৱায়ার, কিলোগ্রাম ১ গ্রাম ৭০০ লুম্বা য়োৎ, গ্রাম ৭০০ লোম লুম্বা খোইরা, কিলোগ্রাম ২ গ্রাম ৭০০ লুম্বা সপ্লিন্টরনচিংবা য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোইরাংখোম ওল্ড থোম্বুথোং মখোঙদগী খুৎলায় লল্লোন মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অমা

য়াওনা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা ফংলে। অতোপ্পা থৌদোক অমদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সিতি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বি.টি. পার্ক ময়াদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে হায়রি।

পোপি (এল)ঃ সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অপ্পর অমসুং লৱার খাবুং খুলদা পোপি থানবগীদমক থৌরাং তৌরম্বা লম একর ১৩ রোম পুলিস অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগনা মাংহনখ্রে। দ্রোন শিজিন্নদুনা মফম অদুবু সর্ভে তৌবদা মফম খরদা পোপি থাবা হৌরল্লে হায়রি। থৌওং অদুবু মখা তানা তৌদনবা খুলগী চেয়ারমেনদা খঙহনবগা লোয়ননা মফম অদু মাং তাকহনখি হায়রি।

৭৫ (এল)ঃ নেসন ফার্ষ্ট @75 কেম্পেন মণিপুরদসু হৌজিক মপুং ফানা চখরি। থা অসিগী ১৭ তগী হৌরগা মথং থাগী ২ গান্ধি জয়েন্তি নুমিৎ ফাওবা চখগদবা কেম্পেন অসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থা অসিগী ১৮ দা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা হৌদোকখি।

কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা দাইরেক্তোরেট ওফ টেক্সতাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিনা শিন্দুনা থৌরমশিং পাঙথোক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা পাউনা বজার কেম্পসতা লৈবা নেসনেল হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটতা রাজ্য অসিগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী মোতিপস ৭৫ উৎপা থৌরম অমা চখরি। মসিগী মতাংদা টেক্সতাইলস, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন সিংহনা হায়- হৌখিবা চহি অহুম মরি অসিদা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী মোতিপস হায়বদি পেটর্ন ৭৫০ হেন্না পুথোকখ্রে । পেটর্নশিং অসি হৌজিক মেপ্পিং তৌবগী থবক কন্না চখরি। মেপ্পিং তৌবা লোইবদা মসিগী মশিং শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলক্কনি খল্লি। শ্রী জিতেন্না হায়- ভারতনা নীংখা তম্লকপা চহি ৭৫ গা মরা লৈননা হৌজিক পাঙথোক্লিবা নেসন ফার্ষ্ট´ @75 অসিদা মণিপুরগী শিংথানিঙাই ওইরবা মোতিপস ৭৫ উৎলি। মহাকা হায়-

হৌবা নুমিৎতগী ঙরাং ফাওবদা মীওই ৫০০ রোম য়েংবা লাকখি। মসিগী মনুংদা রিছার্স স্কোলারশিং, ৱিভর, আর্তিসান অমদি মহৈরোই কয়ামরুম য়াওরি।

অমরোমদা, নেসন ফার্ষ্ট @75 কেম্পেন অসিগী মখাদা ঙসি মালেমদা লৈবা ইন্ফাল দিপোটতা রাজ্য সরকারগী কঞ্জুমর এফ্যার, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগনা ইন্দিয়ান ওইল কম্পনি লিমিতেদকা খুৎশমদুনা ঙসি লম তু শেংবগী থোরম অমদি সেফতি এৱারনেস দ্রাইভ অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা ঙসি স্বস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান হৌদোক্লগনি। মসিগী মনুং চন্না হকশেলগী কেম্প অমসু কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তর নম্বোলদা পাঙথোক্কনি। অভিয়ান অসিগী শরুক অমা ওইনা নুপী অমদি অঙাংশিংবু তোঙান তোঙানবা অনা লায়েংশিং হায়বদি লৌনগনদবা লায়নাশিং, কেন্সর, ঈ ৱাৎপগী, টি.বি লায়না লৈব্রা হায়বগী স্ক্রিনিং, মেলারিয়া, দেঙ্গি টেষ্ট, তিকা থাদোকপা অমদি তোঙান তোঙানবা কার্দশিং শাবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ থৌনাউজম বসন্তকুমার, দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনচিংবা শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, ক্যামগৈদা লৈবা চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজগী কেম্পসতসু স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী মখাদা লেমা অনা লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অদু নুপীশিংগী হকশেল অমদি য়াইফ য়ুম্বাল হায়বা হিরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোক্কনি। মদুদা এনিমিয়া, হাইপর টেন্সন, দাইবেটিক্স, ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি সরভিকেল কেন্সরগী স্ক্রিনিং তৌগনি। লোয়ননা নুপীশিংগী মেটরনেল হেলথ অমদি অঙাংশিংগী ওইবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং পীগনি হায়রি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ ৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক থৌরমগা মরী লৈননা লাইয়েকপা অমসুং রচনা ইবা চাংদমবা অমা মণিপুর ফোরেষ্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট লুৱাংশংবমদা পাঙথোকখ্রে। দি.এফ.ও সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং

মখাদা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অদু লিভিং ৱিথ ৱাইল্ড লাইফ হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। মদুদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা স্কুল ২০ হেনবগী মহৈরোই ৫০০ হেন্না শরুক য়াখি।

নোনে (এল)ঃ নেসনেল ফুড সেক্যুরিতি এক্ট (নফসা) অমসুং পি.এম. কিসান স্কিমগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারেনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং নোনে জিলাগী পিছলেন্দ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.এ.এফ এন্দ পি.দি নোনে জিলাগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর চুনপুইলু রোংমৈনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা লুপা কোতি লিশিং ৯৫ রোমগী মমল ওইগদবা প্রস্তাব ৬ অয়াবা পীখ্রে। কেবিনেট মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- ভারতকী জহাজ শাবা অমসুং মেরিটাইম ইকো সিষ্টেম নৌনা শেমগৎনবগীমক লুপা কোতি লিশিং ৬৯,৭২৫ কাইথোক্লে। শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- নেসনেল সিপ বিল্ডিং মিসন হৌদোক্কুনা মসিগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি। মন্ত্রিনা হায়- রেলৱেগী কর্ম্মচারি লাখ ১০ লিশিং ৯১ লোমদা নুমিৎ ৭৮ গী প্রদক্তিভিতি লিঙ্ক বোনস ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১,৮৬৫ পীবদা মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীরে । কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট হেনগৎহন্নবা, দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্তিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্স, কাউন্সিল ওফ সাইন্তিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্স স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ২,২৭৭ কাইথোকপদা অয়াবা পীরে।

শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- লৈবাক অসিদা পোষ্ট গ্রেজ্যেট অমসুং অন্দর গ্রেজ্যেট মেদিকেল ইদুকেসনগী কেপাসিতি পাকথোক চাউথোকপদা অয়াবা পীরে। সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর স্কিমগী অহুমসুবা তাঙ্কক্তা পোষ্ট গ্রেজ্যেটকী সিট লিশিং ৫ হেনগৎহনবা অমসুং এম.বি.বি.এস সিট লিশিং ৫,০২৩ শেমগৎপদা অয়াবা

পীরে। কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফ্যারসনা বিহারদা লুপা কোতি লিশিং ২,১৯২ চংনা রেলৱে লাইন খরা দবল ওন্থোকপদা অয়াবা পীরে।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা জিলাদা নুপী ২১ য়াওনা মাওইষ্ট ৭১ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চংজখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সতা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৩০ দি লুপা লাখ ৬৪ গী মনা লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। রিটর্ন টু হোম কেম্পেনগী মখাদা মাওইষ্টশিং অদু দান্তেৱারা জিলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চংজরকখিবনি। মখোয় লমদম অদুদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। রাজ্য সরকারগী রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মখাদা সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্ট অমমমদা ইন্সেন্টিভ ওইনা লুপ লিশিং ৫০-৫০ অমসুং স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং পীগনি হায়রি।

ক্রিকেট ঃ অবুধাবিদা চত্থরিবা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী সুপর ফোর মেটচ অমদা ঙরাং ভারতনা বঙ্গলাদেশপু রন ৪১ দা থোইখি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬৮ লৌখি। বঙ্গলাদেশনা মসিগী পাউখুমদা ৱিকেট পুমমক তুরগা ওভর ১৯ বোল ৩ দা রন ১২৭ খক লৌখি।

সুপর ফোরগী মেটচ অমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা পাকিস্তানগা বঙ্গলাদেশকা শান্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নম্বোল এম্বুসতা চেন্নবনি হায়বা অমা ফাখ্রে, লম্বী মতাইদা প্লান তৌরম্বা আই.ই.দি দিফ্যুজ তৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী

মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

লদাখতা চংশিল্লকপা ষ্টেটহুদকী খোঙজংদা মরি শিরে, ৭০ হেন্না শোক্লে, লেহদা লৈবা বি.জে.পিগী ওফিস অমসুং গাড়িশিং মৈনা থাদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা রিমসতা পেসেন্ট খরা মনম মনম শিরকপদগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না সু মোতুদা কেস অমা লৌখৎখ্রে, কম্মিসন্না রিমসকী দাইরেক্তরদা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মেদিকেল রেকোর্দ পুমমক য়াওনা মরিক চুন্বা রিপোর্ট পীখৎলকবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

ইলেক্সন পিটিসনরশিং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা গভর্নরগী পুকিং চিংশিনখ্রে, জ্‌দিসিয়েল সিষ্টেমসি মীয়ামা থাজবা ৱাৎলকপগী মমি তারক্লব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওই হায়না ও. জোয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংবা অতোপ্পা পাউ অমদা ৱাটর রিছোর্সকী ওফিসিয়েলশিং চৈরাক পীবা য়ারবা ঙাক্তনি হায়না এম.এল.এ শুশিন্দ্রোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীরি।

কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মীফমদা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মোর্নিং বেলগী অনিসুবা হেদলাইননি। পাউ অসি তমেংলোং টাইম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

উখ্রুলগী বেঙ্ক রোবরিগী থৌদোক এন.এস.সি.এন (আই.এম)ননি হায়বা রিপোর্ট অসি সনালৈবাক পাউচেদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

এরিয়েল সর্ভে চথবদা আইন কায়না পোপি পাক শন্না থারম্বা থেংনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------